Refreshingly Reliable

# HUEIYEN LANPAO
# হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses


অইবা, অইবী ৪০ হেনবনা শরুক য়ারিবা প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসনগী ত্রিপুরা খোঙচৎ মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরি মুতুম রমনীনা লমথাখিবা



লামায় ৪

মাইরাং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা মোইরাং খোইরু লৈকাই ৱার্দ নম্বর ১০গী ময়াই লম্বী শেম্বীদবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈকাইসিগী মৈরা পায়বীশিংনা লম্বী তৌখায়দুনা থিংজিনবা


লামায় ৩

খা মণিপুর যোগা এন্দ নেচর ক্যোর এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা হীলিং পোইন্ট (আই আর সী এ)না ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তগী লাপথোকহনখ্রবশিং চহীগী ওইনা উনবগী থৌরম



লামায় ৫

সেন্টর ফোর ওন্টপ্রেন্যুরশিপ এন্দ স্কিল দিভলপমেন্ট মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা প্লান্নিং দিপার্টমেন্ট মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা শীন্দুনা পাঙথোকপা ষ্টার্ট অপ বুট কেম্প হৌদোকপগী থৌরম


লামায় ১


Vol. 43, Issue No.275 | থাংজ, ৱাকচিংগী ৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, January 04, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## লম একর ৬৫ রোমদা থারম্বা পোপি পাম্বী য়াম্বুৎতুনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩(ঐচ এন এস): কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৌব্রু চীংগী চীংশাং নাপোমদা পাক শন্না ময়াই কাবা চীঙ্গাক পোপী পাম্বী থারে হায়বা চপ চাবা পাউ ফংবদগী নাব অমদি এন সী বি য়াওবা কম্বাইন টিম অমনা য়াম্বুৎতুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

ঙসি অয়ুক সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কৌব্রু চীংগী চীংশাং নাপোমদা পাক শন্না লম একর ৬৫ রোমদা থারম্বা ময়াই কাবা চীঙ্গাক পোপী পাম্বীশিং অদু নাকোটিক্স এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর পুলিস (নাব)কী এস পি দল্লিয়ু বাসুনা লুচিংবা নার্কোটিক্স কন্ট্রোর ব্যুরো (এন সী বি), মরি শুবা অমদি মঙা শুবা আই আর বিগী অখন্নবা কম্মান্দো, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস য়াওবা অপূনবা টিম অমনা য়াম্বুৎতুনা মাঙহনখিবনি হায়রি।

## রিপব্লিক দে থৌরমগী টেব্লোশিং খনগৎপদা মণিপুরগী য়াওদ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩(ঐচ এন এস): ন্যু দিল্লিগী রাজপথতা লাক্লিবা জন্যুৱারী ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী রিপব্লিক দে থৌরমদা উৎকদবা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিং অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি-শিংগী টেব্লোশিং খনগৎপদা মণিপুরগীদি য়াওদ্রে।

ব্রাজিলিয়ন প্রসিদেন্ট জ্যের বোলসোনারোনা চীফ গেষ্ট ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী রিপব্লিক দে থৌরমদা শরুক য়ানবগীদমক দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা টেব্লো ২২ খনগৎখিবনি। দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা খনগৎখিবা অসিদা মণিপুরগীদি য়াওরকখিদবনি। মিনিষ্ট্রি অসিনা খনগৎলবা টেব্লো ২২ অসিগী মনুংদা টেব্লো ১৬ অমদি ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগীনি। অদুগা টেব্লো ৬ অমনা মিনিষ্ট্রিশিং অমদি দিপার্টমেন্টশিংগীনি।

ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটো-রিশিংগী ওইনা রিপব্লিক দে পেরেদ ২০২০গীদমক খনগৎলবশিং অদুদি অন্ধ্র প্রদেশ, অসাম, ছটিশগর, গোৱা, গুজরাট, হিমাচল প্রদেশ, জম্মু এন্দ কাশ্মির, কর্নাটকা, মধ্য প্রদেশ, মেঘালয়া, ওরিষা, পঞ্জাব, রাজস্থান, টামিল নাদু, তেলঙ্গনা অমসুং উত্তর প্রদেশনি। অদুগা দিপার্টমেন্টশিং অমসুং মিনিষ্ট্রিশিংগী ওইনা খনগৎলবা টেব্লোশিং অদুনা দিপাটমেন্ট ওফ প্রমোসন ওফ ইন্দষ্ট্রি এন্দ ইন্টর্নেল ট্রেদ, দিপার্টমেন্ট ওফ দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেসন, দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইনান্সিয়ল সর্ভিসেস,

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## এম এন ঐচ সী আর এক্টকী মখাদা রেজিষ্ট্রেসন তৌদনা লন্নাই দাইগ্নোষ্টিক লেব কয়া চল্লাইরম্লে

**মেদিকেল দিরেক্টোরেটনা এম এন ঐচ সী আর এক্টকী মখাদা ভেলিদ ওইবা রেজিষ্ট্রেসন তৌদনা চল্লাইরিবা প্রাইভেট দাইগ্নোষ্টিক লেবোরেটরি ২৮গী রিপোর্ট লৌদনবা রিমস অমদি জেনিমসকী ওথোরিটিদা খঙহনখ্রে**



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩(ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না অনা-লায়েংগী লম্দা মীপাইনিংঙাই ওইবা মওংদা মণিপুর নর্সিং হোমস এন্দ ক্লিনিক্স রেজিষ্টর এক্ট (এম এন ঐচ সী আর এক্ট) ১৯৯২ এন্দ রুলস ১৯৯৩গী মখাদা রেজিষ্টর তৌদনা লন্নাই দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর কয়া মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চল্লাইরম্লে।

এম এন ঐচ সী আর এক্টকী অয়াবা য়াওদ্রবদি ক্লিনিকেল ইষ্টাব্লিশমেন্ট অমত্তা চল্লাইবা য়াদবনি। অদুম্মকপু এক্ট অসিগী ৱাংমদা অয়াবা য়াওদনা লন্নাই দাইগ্নোষ্টিক লেবোরেটরি কয়া চল্লাইরম্বা অসি হেল্থ দিরেক্টোরেটনা থেংনরকখিবনি। এক্ট অসিনা য়াদবা মওংদা চল্লাইরিবা ক্লিনিকেল ইষ্টাব্লিশমেন্টশিংগী মথক্তা ফাইন থীহনবগা লোয়ননা থা ৬ ফাওবা জেলদা থম্বা য়াবগী চৈরাক ফাওবা ফংহনবা য়ারিবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ফংবা পাউনা হায়, ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা মণিপুর নর্সিং হোমস এন্দ ক্লিনিক্স রেজিষ্টর এক্ট ১৯৯২ এন্দ রুলস ১৯৯৩গী মখাদা ভেলিদ ওইবা রেজিষ্ট্রেসন তৌদনা চল্লাইরিবা প্রাইভেট দাই-গ্নোষ্টিক লেবোরেটরি ২৮না পীবা লেবোরেটরি ইনভেষ্টিগেসনগী রিপোর্টশিং লৌদনবা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কে রাজোনা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী দিরেক্টর অমসুং জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী দিরেক্টরদা অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনখ্রে।

এম এন ঐচ সী আর এক্টকী ভেলিদ রেজিষ্ট্রেসন য়াওদনা চল্লাইরিবা দাইগ্নোষ্টিক লেবোরেটরিশিংনা পীবা রিপোর্টশিং অদু লৌদনবা রিমসকী দিরেক্টর অমসুং জেনিমসকী দিরেক্টরনা মাগী-মাগী ইন্সটিট্যুসনশিংগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদসু খঙহনগদবনি। এম এন ঐচ সী আরগী রেজিষ্টর য়াওদনা চল্লাইরিবা লন্নাই দাইগ্নোষ্টিক লেবোরেটরিশিং অদুদি লম্ফেল এক্স-রে, রিমস রোদ; পব্লিক এক্স-রে, রিমস রোদ; গ্লোবেল দাইগ্নোষ্টিক্স, রিমস রোদ; লৈমা দাইগ্নোসিস, পোরেম্পাৎ; রেদিকেল দাইগ্নোষ্টিক্স, পোরোম্পাৎ; এ এম দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর, পোরোম্পাৎ কোংখাম লৈকাই; সঙাই ক্লিনিক দাইগ্নো-ষ্টিক এন্দ রিসার্চ সেন্টর, খুরাই চীংঙাবম লৈকাই; সিরোই দাইগ্নো-ষ্টিক সেন্টর, সোইবম লৈকাই অয়াংপল্লি রোদ; পব্লিক এক্স-রে এন্দ ক্লিনিকেল লেব, রিমস রোদ; লাইফলাইন দাইগ্নোষ্টিক সেন্টর,

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## এ আরদা এটেক চথখিবা মীওই ৬কী মথক্তা এন আই এনা চার্জশীট ফাইল তৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩(ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৭কী নবেম্বর ১৫ দা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী শজিক তম্পাক্তা ৪শুবা অসাম রাইফলসকী রোদ ওপনিং পার্টি (আর ও পি) অমদা এটেক চথদুনা পর্সনেল অমা হাৎলগা অতোপ্পা শোকহনখিবগী মতাংদা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) না চার্জশীট ফাইল তৌখ্রে।

এন আই এনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ৪শুবা অসাম রাইফলসকী আর ও পিদা এম্বুশ তৌবদা চেন্নবা মীওইশিং পি এল এ অমসুং মণিপুর নাগা পিপলস ফ্রন্টকী কাদরশিংনি হায়বা চপ চাবা খঙবা ঙমখি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ইনভেষ্টিগেসন চথবা চেন্নবা মীওই ৩ ফাগৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা মরুওইবা চে-চাং কয়াসু ফংবা ঙম্লে। কেস অসিগী মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথরি হায়রি।

## ৱাঙ্গোইদা পি এম এ ৱাই-য়ুগী লোন পীথোক্লবা মিনিষ্ট্রিনা তকথরক্লে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩(ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্টকী ২২-ৱাঙ্গোই এ সীগী ওইনা ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মখাদা প্রধান মন্ত্রি অৱাজ য়োজনা-অর্বান (হাওজিং ফোর ওল), পি এম এ ৱাই-য়ুগী মখাদা স্কিম অসিগী লোন পীথোকফম থোক্লবা বেনিফিসরিশিংদা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা পীথোক্কে হায়দুনা সেলেক্টেদ বেনিফিসরিশিংগী মরক্তগী খরনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ হাওজিং এন্দ অর্বান এফেয়র্স (এম ঐচ য়ু এ)দা ৱাকৎ-লুবদগী মিনিষ্ট্রি অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন, হাওজিং এন্দ অর্বান দিভলপমেন্ট (মাহুদ) লোয়শঙদা তকথরক্লে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা ওফিসল দোক্যুমেন্টশিংদা য়ূম্ফম ওইবা পাউনা হায়বদা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল ওইবা চেরোল অদু হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা মাহুদকী সেক্রেটরিদা এদ্রেস তৌদুনা পীরকখিবনি হায়রি। ওফিসল লেট্টর অদুগী নম্বর- আই-১৪০১৭/০৫/২০১৯-ঐচ এফ এ-৫- ভোল্যুম-৮ (এফ টি এস-৩০২৭০৩০)নি। চেরোল অসি মিনিষ্ট্রি অসিগী অন্দর সেক্রেটরি বি কে মন্দলনা খূৎয়েক পীদুনা থারকখিবনি হায়রি।

মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অদুনা খঙহল্লকখিবদা মখোয়না ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মখাদা পি এম এ ৱাই-য়ুগী মখাদা লোন পীফম থোক্লবা সেলেক্টেদ

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মণিপুরগী ওইনা হকচাংদা নুঙ লৈবা অমদি কিদনি ফেল ওইবগী চাং হেনগৎলক্লি : দা. রাজেন্দ্র

**ডা. খাইদেম অথৌবা**



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩(ঐচ এন এস): মণিপুরগী ওইনা মীওইবগী হকচাংগী তোঙান-তোঙানবা কয়াৎশিংদা নুঙ লৈবা অমদি কিদনি ফেল ওইবগী চাং অসি লেপ্পা লৈতনা নোংমা-নোংমগী হেনগৎলক্লি হায়না রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী ফোর্মর প্রোফেসর অমদি ঐচ ও দি য়ুরোলোজি ডা. সিনাম রাজেন্দ্রনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবা অমদা ডা. সিনাম রাজেন্দ্রনা হায়খি, মেদিকেল সাইন্সনা ফনা য়াম্না চাউখৎলক্লবসু ঙসি ফাওবদা মীওইবগী হকচাংদা নুঙ লৈরকপগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি। ঈশিং মরীদা নুঙ লৈহল্লোইগে হায়রগদি অঙ্গৈবা মফমদা লৈরগসু ঈশিং মতিক চানা থকপগী তঙাইফদবা লৈ। ঈশিং থকপগী চাং নেম্বনা মীওইবগী হকচাংদা নুঙ লৈরকপগী চাউরবা মরম অমা ওইরি। হৌখিবা চহী খরসিগী মনুংদা ষ্টেট অসিদা নুঙ লৈবা মীওই ১০০দগী ১৫০ রোমদি নুমীৎ খূদিংগী রিমস হোস্পিটালদা ওপরেসন তৌবা য়াওনা অনা লায়েংখি। য়ুরোলোজিষ্ট অমা ওইনা মণিপুর অমদি অতোপ্পা মপান লৈবাকশিংদা ঈশিং মরী য়াওনা হকচাংগী তোঙান-তোঙানবা কয়াৎশিংদা নুঙ লৈবা মীওই কয়া লেপ্পা লৈতনা লায়েংদুনা লাক্লি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মেদিকল কোলেজশিংদা মপুং ফানা হাংনদ্রিবা এম সী ঐচ য়ুরোলোজি মাষ্টর দিগ্রি ষ্টেট অসিগী রিমসতা কুমজা ২০১০দা দোক্টর খরগা পুনশিন্দুনা য়াম্না ৱানা হোৎনরবা তুংদা হাংদোকখি। ঙসিদি ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী রিমসতা এম সী ঐচ য়ুরোলোজি কোর্স তম্বা মহৈরোয় কয়া চহী খূদিংগী লাক্লে। ৱাফম অসি

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## মণিপুরী সাহিত্যদা কাংজম পদ্মকুমার হায়বা সেমিনার পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচ এন এস): নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিটি, ইম্ফালনা চহী ৬০ শুরকপা থৌরমগা মরী লৈননা সমিটিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা কাংজম পদ্মকুমারগী সাহিত্যবু নীংশিংবা ওইনা মণিপুরী সাহিত্যদা কাংজম পদ্মকুমার হায়বা সেমিনার অমা থা অসিগী ৫গী অয়ুক পুং ১০দা জি এন মণিপুর দান্স একাদেমীদা পাঙথোক্লগনি হায়না সমিটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এ সী নেত্রজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সেমিনার হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর লৈঙাক্কী সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর

...মখা লামায় ৩ কলম ৭


MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED

MSPDCL

খঙহঞ্জবা

GM-II, MSPDCL

মৈগী খজনা কাননবা অমদি মৈ চাং নাইনা ফংনবগী পান্দমদা Revenue drive চৎচবদা 1) DGP, GOM, 2) Director & Jt. Director, Veterinary Dept., 3) A.O. Medical Directorate, 4) Director, Sericulture, 5) C.E.,IFCD, 6) Edn Dept.(S) নচিংবশিংনা মৈগী মরুওইবা মতীক চানা খঙবীদুনা মতেং পাংবীরকপবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

অসিগুম্লদনা মণিপুরদা লৈবীরিবা মৈ শীজিন্নরিবা Govt. Dept. অমদি লন্নাই সংস্থানশিংনা মৈগী খজনা মতম চানা থীদোকপীদুনা MSPDCL না 24x7 মৈ পীননবা হোৎনজরিবা অসিদা ময়ামগী মতেং মখা তানা নিজরি।

খঙহঞ্জরিবা :
B. Ibomcha Sharma
GM-II, MSPDCL

HL-B/5940/4



**HL Poll**

Q: Manipurgi mafam kayada poppy pambi narolda thariba asi thingnanaba leingakna matik chaba thabak paikhatli khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipur leingakki Minister sing shindokkadabani haina leingak paibada yaoriba MLA singgi erang loishinkhre khanbra?

Yes 22% No 78%


গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ২১.৪৩ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ৮.৪৮ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১৯.০১ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৬.০০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩৮

### দেসামগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

## চিংঙু মাইচৌ খোংনাংথাবা এৱার্দ ২০২০ ওজা তরেৎতা লান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচ এন এস): দেম্মক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়ন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী ১৮রকশুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম ঙসি জি এম হোল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা চিংঙু মাইচৌ খোংনাংথাবা এৱার্দ ২০২০ ওজা তরেৎতা লান্থোকখ্রে।




থৌরম অদুদা চিংঙু মাইচৌ খোংনাংথাবা এৱার্দ ২০২০ পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রবা ওজাশিং অদুদি, লৈমপোকপম গভর্ণমেন্ট পব্লিক হায় স্কুল, লৈমপোকপমগী হেদ মিষ্ট্রেস লোংজম মংলেম্বী; প্রজা হায় স্কুল, লমশাংগী আর্টস গ্রেজ্যুএট টিচর খাঙেম্বম গনশ্যাম; লৈকোন অপ্পর প্রাইমারী স্কুল, উচেক্কোনগী হেদ মাষ্টর ইন-চার্জ ৱাংলেম্বম গোবিন মৈতৈ; চৌয়াইমা হায়র সেকেন্দরি স্কুল, থৌবালগী লেকচরর (মণিপুরী) ককচিংতাবম প্রমোদিনি; মোদর্ন প্রাইমারী স্কুল, সগোলবন্দ লুক্রাম লৈকায়গী প্রাইমারী টিচর খুমন্থেম কিশোকুমার; থিংখাংফাই গভর্ণমেন্ট হায় স্কুল, থিংখাংফাইগী হেদ মাষ্টর ইন-চার্জ নোংমাইথেম বিলাস অমদি সী টি হায়র সেকেন্দরি স্কুল, ময়াং ইম্ফালগী লেকচরর (মণিপুরী) ইরেংবম মেত্রিকনি। এৱার্দ অসিদা শেল, সার্টিফিকেট অমদি লেংয়ান ফিনচিংবা য়াওরি।

ইম্প্রুভিং লর্নিং আউটকমস কোলস ফোর ষ্ট্রেটেজিক রিফোর্ম এন্দ ইন্টর-ভেন্সন হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম য়ুগী দিন ওফ ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়র প্রোফেসর টি ঐচ রতনকুমারনা হায়খি, এদ্যুকেসন য়াওদনা লৈবাক চাউখৎপা য়ারোই। ঐখোয়গী এদ্যুকেসন সিষ্টম অসি প্রাইমারি লেভেল, সেকেন্দরি লেভেল অমদি য়ুনিভর্সিটি

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

**অস! লোইরেহে!**




## বিজিনেস মায় পাক্না পায়খৎনবগীদমক অফবা ৱাখল লৌশিং তঙাইফদে : জর্নেল

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচ এন এস): বিজিনেস মায় পাক্না পায়খৎন-বগীদমক অফবা ৱাখল লৌশিং তঙাইফদে হায়না এম য়ুগী এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনা ঙসি এম য়ুগী সেন্টিনরি হোলদা পাঙথোকখিবা ষ্টার্ট অপ বুট কেম্প (আইদিয়া ষ্টেজ) হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

সেন্টর ফোর ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ এন্দ স্কিল দিভলপমেন্ট মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা প্লান্নিং দিপার্টমেন্ট মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা শীন্দুনা চহী অসিগী মার্চ ২৮ ফাওবা চত্থগদবা বুট কেম্প হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম য়ুগী এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনা হায়খি, ষ্টার্ট অপকী মখাদা ৱাখল লৌশিং পুথোক্তুনা থবক পায়খৎনবা থোরক্লিবশিংনা থৌনা লৈনা মানা মানা পায়খৎকদৌরিবশিং অদু মায় পাকহন্নবা হোৎনবা তাই। সর্ভিস নৎত্রগা মেন্যুফেকচরগী য়ুনিট হাংদোকপা মতমদা অনৌবা ইনোভেটিভ ওইবা আইদিয়া ময়াম


...মখা লামায় ৩ কলম ৪




HL-P/5531/12/12-13/01


**IN LOVING MEMORY OF (L) OINAM MEMCHA DEVI**

**(29th JUNE 1947 to 4th JANUARY, 2019)**



"চহী কুমওন ওল্লকপসে কায়না মৈচাক পীররে ইমা
ইমা কৌদবা চহী ফারকএ ইমা
মীৎলু পিরাংসে কংঙো য়াদে ইমা
নঙগী মোমোন মীনোক্তো উবা ফংখিদ্রে
অৱা-নুংঙাই ৱারী তান্নবা ফংদরে ঙসিদি
ঈশ্বরগী খূয়াদা নুংঙাইনা লৈয়ুকো ইমা
মীওইবগী মপোকসে, নচাসু নোংমা শোয়দনা নতুং ইল্লক্কে ইমা"

- Family

HL-P/5636/4